# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 06-11-2025)**

**স্বাইন ফিভর (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী মফম খরদা আফ্রিকান স্বাইন ফিভর শন্দোরক্লব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে।

ককচিং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার রোহিত আনন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- আফ্রিকান স্বাইন ফিভর অসি লৌনগনবা অমসুং থুনা শন্দোক্কনবা ওইবনা লায়না অসিনা নারবা ওকশিং নিংথিজনা শেন্নদ্রবদি মখা তানা শন্দোরকপা য়াবনা খুদক্কী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মরম অদুনা ফিভম অসি লাকশিন্দ্রিবা ফাওবা জিলা অসিগী ম্যুনিসিপালনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা ওক য়োনফমশিং থিংজিল্লে। চেরোল অদুনা হায়- ওক্কী অরেম অখাকশিং মীয়ামগী হকশেলদা শোক্তনবা মফম চানা হুন্দোক্কদবনি। লায়না অসিনা নারে হায়না চিংনবা ওকশিং কৈথেলদা য়োন্দনবা হোৎনগদবনি। ওক য়োল্লিবা দুকানশিংনা সেনিতেসন অমসুং ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী চৎনা কাংলোনশিং ঙাকা চৎকদবনি। হায়রিবা চেকশিন থৌরাং অসি খুদক্তগী চৎনবগা লোয়ননা রাজ্যগী ভেটেরিনারি বিভাগনা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনরিবা অসিদা মতেং পাংবীনবা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা, রাজ্যগী ভেটেরিনারি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেসনা শিন্দুনা ক্লাসিকেল স্বাইন ফিভর অমসুং আফ্রিকান স্বাইন ফিভরগী মতাংদা ওক লোইরিবশিং, ষ্টেকহোল্ডরশিং ভেটেরিনারিয়ানশিংনা লায়না অসি করমা ঙাকথোক্কনি অমসুং চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ভেটেরিনারি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেস দাইরেক্তর ডাঃ আর.কে. খোগেন্দ্রজিৎ সিংহনা হায়- আফ্রিকান স্বাইন ফিভর অসি ইকোন কোনবা ওইনা ২০২৩ গী ওক্তোবরদা গুৱাহাতিগী খানাপারাদা

লৈবা এন.ই.আর.দি.দি.এলদা লেবোরেটরি টেষ্ট তৌবদা শন্দোরক্লে হায়বা খঙখি। ইং ২০২৩ গী ওক্তোবরদগী সিদেম্বর ফাওবদা রাজ্য অসিগী মফম ৩৭ ইপিসেন্তরনি হায়না লাউথোকখি।

ডাঃ খোগেন্দ্রজিৎনা হায়- হৌজিমক্কী ওইনা আফ্রিকান স্বাইন ফিভর ঙাকথোকবা মতিক চাবা ভেক্সিন লৈত্রি। মরম অদুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা খ্বাইদগী ফবা পান্দ্বৈদি ওক লোইরিবা মফমশিংদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনা ওইগনি।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙরাং মীওই ১০১ নৌনা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ঙরাং খক্তদা পুন্না সেম্পল ২০৯ টেষ্ট তৌখি। জেনিমস হোস্পিতাল ইন্ফালদা সেম্পল ১৪৮ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৭০ দেঙ্গি পোজিতিভ ওইখি। রিমস হোস্পিতালদা সেম্পল ৫৭ টেষ্ট তৌবদা মীওই ২৭ পোজিতিভ ওইখি। অদুগা লনাই হোস্পিতাল মরিদা সেম্পল মরি টেষ্ট তৌবদা মীওই মরিমক পোজিতিভ ওইবা থেংনখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাদগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে। মণিপুর পুলিসনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- থি হুম্বগী থবক চঙবদা সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী এস.এল.আর অমা, এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল অমা, এম.এ-ফোর এম.কে-টু রাইফল অমা, এস.এল.আরগী মেগজিন মরি, এ.কে. ফিফতি সিক্সকী মেগজিন অহুম, এম-ফোর এ-ৱানগী মেগজিন অনি, কন্ত্রি মেদ এ.কে. মেগজিন অমা, এস.এল.আরগী নোংমৈ মরু ৯৯, এ.কে. ফিফতি সিক্সকী মরু ১৫১, লেথোদ ১, লেথোদ গ্রেনেদ ৮ ফাগৎলে।

**থৌবাল (এল) ঃ** রাজ্য সরকারগী লৌউ শিংউ বিভাগনা শিনদুনা নিংথম লৌরোক্কী মরু-মরাং অমসুং য়ুরিয়া হার য়েন্থোকপা হৌখ্রে।

থৌরাং অসিগী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, সেনাপতি, কাংপোকপী, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা য়ুরিয়া অমদি নিংথম লৌরোক্কী মরু-মরাংশিং য়েন্থোক্লি।

থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাগী ওইনা নিংথম লৌরোক্কী মরু মরাং অমদি হার য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসিদগী হৌরগনি। থৌবাল জিলাগী ওইনা হৈরোক লিতান মখোঙদা ঙসি পাঙথোক্কনি। মখা তানা থা অসিগী ২০ ফাওবা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোক্কনি। থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসার টি.ঐচ. জোয়প্রকাশনা হায়-থা অসিগী ২০ ফাওবদা জিলা অনি অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মরু মরাং অমসুং হার য়েন্থোক্কনি। লৌমীশিংনা বিভাগ অসিনা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিগী কান্নবা লৌদুনা রাজ্য অসিদা চাথোক হেন্না পুথোকবা হোৎনমিন্নশি হায়না আপীল তৌরি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা ঙরাংদগী হার য়েন্থোকপগী থবক থৌরমশিং লমশাং কেন্দ্রগী মনুং চনবা শলাম কম্যুনিতি হোলদা হৌখ্রে। জিলা অসিগী ওইনা ঙসি উয়ুমপোক কম্যুনিতি হোল অমসুং মোদাংপোক্তা হার অমসুং মরু মরাংশিং য়েন্থোক্কনি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা ইরেংবম, খোইরিফাবা য়ুথ ক্লব, ক্বা সিফাই মনিং লৈকাইদা য়েন্থোক্কনি।

উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাগী ওইনা সিনা কৈথেল কম্যুনিতি হোল সিনা কৈথেলদা, চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাগী ওইনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসতা ঙসি হার য়েন্থোক্কনি।

লৌমীশিংনা পোৎলমশিং অসি লৌবা তাকপা মতমদা মখোয় মখোয়গী আধার নত্রগা লমগী পত্তা পায়রক্কদবনি। ভেল্যু চেন পার্টনর নত্রগা এফ.পি.সি

মেম্বর ওইবা লৌমীশিংগী ওইনা হঙ্গাম মরু লেমা ফংগনি। অদুগা ভেল্যু চেন পার্টনর ওইদবা লৌমীশিংনা হঙ্গাম মরু কিলোগ্রাম অমদা লুপা ১৫ গী চাংদা লৈবা য়াগনি। হৱাই মঙ্গল অমসুং হৱাই মুসোরিনা অতাবা মমলদা কিলোগ্রাম অমদা লুপা ১৫ গী চাংদা অমসুং য়ুরিয়া বেগ অমদা লুপা ২৭০ গী চাংদা ফংগনি হায়না এগ্রিকলচর বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**মনিটেক্স (এল)ঃ** চহি অনি লেপ্লুরবা মতুং মণিপুর ইন্তরনেসনেল টেক্সতাইল এক্সপো (মনিটেক্স) থা অসিগী ৮ দগী পাঙথোকপা হৌরগনি। দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদবা নুমিৎ মঙানি চথুগদবা এক্সপো অসিদা মপান লৈবাকশিংদগী লাকপা ওন্তরপ্রেন্যুরশিং য়াওনা লমদম অসিগী ফিশা-লোনশা তৌরিবশিং অমসুং খুৎ-শা হৈনবগী শিনফমদা লৈরিবশিংনা শাবা পোৎলমশিং উৎপা ষ্টোল ১০০ হেন্না হাংগনি। এক্সপো অসিগী মতাংদা হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলসকী দিরেক্তর এলাংবম জিতেননা হায়- ইম্ফাল ইষ্টকী নিলাকুথিদা লৈবা অরবান হটতা পাঙথোক্কদৌরিবা এক্সপো অসিদা ফোরেন বাইয়র ৮ অমসুং এক্সপোর্টর ৬ য়াওগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে। এক্সপো অসিনা অতৈ লৈবাকশিংদগী লাকপা মীওইশিংদা লমদমসিগী পোথোকশিংগী ফজবা অমসুং মগুনশিং খঙহন্দুনা আর্তিসানশিংগী অচৌবা কৈথেল অমা শেন্বীদুনা মখোয়গী পুন্সি মহিং ফগৎহনবতা নত্তনা রাজ্য অসিগী শেনমিৎলোন ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**এমওএস (এল)ঃ** কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট রাজ্য মন্ত্রি সাবিত্রি ঠাকুর নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা জিরিবামদা ঙসি থুংলগনি। মহাকা জিরিবামদা লৈরিঙৈদা সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং অমসুং প্রোজেক্টশিং য়েংশিনগনি।

**বিহার ঃ** অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়নননা বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং অয়ুক পুং ৭ তগী থাদনবা হৌখ্রে।

তাঙ্কক অসিদা জিলা ১৮ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা ভোৎ থাদনরি। নুংথিল পুং ৬ ফাওবা ভোট থাদনগনি। অদুমওইনমক, বিধান সভা কেন্দ্র খরদদি সেক্যুরিতিগী য়েংলগা নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা ভোৎ থাদগনি।

তাঙ্কক অসিদা ভোতর কোতি ৩ লাখ ৭৫ না মীরেপ লিশিং ১,৩১৪ গী মরাইবক লেপকনি। মীরেপশিং অসিগী মনুংদা নুপী মীরেপ ১২২ অমসুং ত্রান্সজেন্দর ১ য়াওরি। তাঙ্কক অসিদা এন.দি.এগী ওইনা জে.দি.য়ুনা খ্বাইদগী মশিং য়ামা সিট ৫৭ তা, বি.জে.পিনা সিট ৪৮ দা, এল.জে.পি (রাম বিলাস)না সিট ১৪ দা অমসুং রাষ্ট্রিয়া লোক মোর্চানা সিট ২ দা মীরেপ থাগৎলি। মহগট বন্ধনগী ওইনা আর.জে.দিনা খ্বাইদগী মশিং য়ামা মীরেপ ৭৩, কংগ্রেসনা ২৪ অমসুং সি.পি.আই (এম.এল)না মীরেপ ১৪ থাদোক্লি। তাঙ্কক অসিদা নৌনা শেমখিবা রাজনীতি দল জন শুরজ পার্তিনা মীরেপ ১১৯ থাগৎলি।

তাঙ্কক অসিদা মীরেপ ওইরিবশিংগী মনুংগী মহাগদ বন্ধনগী মুখ্য মন্ত্রিগী মীরেপ ওইরিবা, আর.জে.দি লুচিংবা তেজাস্বি যাদব, বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং উপ-মুখ্য মন্ত্রি সমরাত চৌধুরিনচিংবা য়াওরি।

**মীফম ঃ** কেন্দ্রগী ন্যু এন্দ রিন্যুএবল ইনর্জি মন্ত্রালয়না গ্রিন হাইদ্রোজেন ২০২৫ গী মালেম থাক্কী মীফম নিউ দিল্লিদা থা অসিগী ১১ দগী হৌদুনা পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা গ্রিন হাইদ্রোজেন পুথোকপা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাওখৎহনবা য়াওনা অতৈ হিরম কয়াদা খন্ন-নৈনগনি। মীফম অসি থা অসিগী ১২ ফাওবা চথ্থগনি। কেন্দ্রগী ন্যু এন্দ রিন্যুএবল ইনর্জি মন্ত্রি প্রহ্লাদ জোসি, পেত্রোল্লিয়ম অমসুং গ্যাস মন্ত্রি হরদিপ সিংহ পুরি, আর্থ সাইন্সকী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহ য়াওনা তোঙান তোঙানবা মন্ত্রালয়শিংগী মীহুৎশিং অমদি মপান

লৈবাক্কী দেলিগেটশিং থৌরম অসিদা শরুক য়াগনি। মীফম অসিদা ফাইনান্সিং, সার্তিফিকেসন, পোর্ট রেদিনেস, স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং টেকোলোজিগী লমদা খন্ন-নৈনগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টকী মমিং সিভিল এভিএসন মিনিষ্ট্রিনা শকখণ্ডলমদ্রে হায়বা হেদলাইন অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইননি।

খোইশাওনরবা আই.দি.পিশিংনা দি.বি.টিগী শেনফম হন্দোকখ্রে, লুপা ৪ না চেং লৈবা য়াবা মফম লৈঙাকা মীয়ামদা তাকউ হায়না ইনমেটশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

অকাশবানি ইম্ফালগী চহি ৬০ শুরকপগী দাইমন্দ জ্‌বিলিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, অকাশবানি ইম্ফালনা লৈবাক অসিগী য়ুনিতি শাগৎলকপদা ঙসি ফাওবা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকই হায়না গর্ভনর আজয় কুমার ভল্লানা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

পাউ অসি সনালৈবাক্তনা এ.আই.আর ইম্ফালগী দাইমন্দ জ্‌বিলি পাঙথোকখ্রে অমগা অমগা নুংশিননবগী থোং মিদিয়ানা ওইগদবনি হায়না গভর্নরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীরি।

অকাশবানি ইম্ফালগী দাইমন্দ জ্‌বিলি থৌরগী পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, হুইয়েন লানপাউ, য়াওনা মণিপুরদা ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

এম.এল.এ কেবীগী মথক্তা থারকখিবা ইলেক্সন পিতিসন কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসি ঙসি ফোংলিবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন

পীদুনা ফোংনরি।

মণিপুর গভর্নমেন্ট সার্ভিসেস ফেদরেসনগী খোঙজং কনশিল্লক্কদৌরি, এমপ্লোয়িজশিংগী দিমান্দ তাশিন উশিন্নদবা পি.আর লৈঙাকা খঙপ্রেক খঙগদবা খোঙজংশিং চংশিল্লক্কদৌরি হায়বা হেদলাইন অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইননি। পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন অসি মণিপুর লৈঙাকা আই.দি.পি অমমমদা লুপা ৮৪-৮৪ পীবা হৌরুবগী খোঙথাং খুদি থিরগা উপথুদুনা তুরে হায়না ফোংবা থেংনরে।

কুকি তাবা মফমশিংদা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌগনি তৌরম্বা অদু নুমিৎ ১০ নিগী ওইনা য়ৈথোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইননি।

এম.এল.এ- জংহেমলুং পানমৈনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা অনিসুবা রাণি গাইদিনলিউ স্পোর্টস মিট ২০২৫ তমেংলোং নেচরেল ফুটবোল গ্রাউন্দদা লোইশিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি দ গনফিউ মেলদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।